# ফুটবোল ক্লব অনী য়েংথিনবা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

গ্লাসগো স্কোটলেন্দগী মরু ওইবা সহরনি। মফম অসিদা খৃষ্টানগী তোঙান-তোঙানবা লাইনীং চৎপা কাঙবু অনী লৈ। মখোয় অদুদি প্রোটেষ্টেন অমসুং কেথোলিক্সনি। কাঙবু অনী অসি নুংশিনদে। নুংশিনদবা কাঙলূপ অনী অসিগী ফুটবোল ক্লব অমমম লৈ। মখোয় অদুদি প্রোটেষ্টেন চৎপশিংগী গ্লাসগো রেঞ্জর (Glassgow Ranger) অমসুং কেথোলিক্স চৎপশিংগী কেলটিক ফুটবোল ক্লব (Celtic Football Club) নি। রেঞ্জর ক্লবকী ইব্রোক্স কৌবা ষ্টেদিয়ম অমা লৈ। মদুদা সর্ভিলেন্স কেমেরা থমদুনা ষ্টেদিয়ম মনুংদা অচৎ-চত্তা পূম্নমক য়াম্না লায়না উবা ফংই। ক্লব অনী অসিনা লম্বা তৌনদুনা ইব্রোক্স ষ্টেদিয়মদা ফুটবোল শান্নবদা রেঞ্জর ক্লবপু শৌগৎপা মীয়াম্না অতৈ মীয়ামশিংগী মরক্তা চোয়না-চোয়না ফমদুনা মেচ অদু য়েংই। মখোয় কোমলা মচুগী ফুরিৎ লিৎলি। কোমলা মচুগী ফিরাল পায়। মসিগী মরমদি ৱিল্লিয়ম ওফ ওরেঞ্জ (William of Orange) না কুমজা ১৬৮৮দা কেথোলিক্সকী নিংথৌ তান্থোকখি। থৌদোক অদু হৌজিক ফাওবা নীংশিংনরি। রেঞ্জর ক্লব শৌগৎপশিংবু বিল্লি বোইজ (Billy Boys) হায়নসু খঙনৈ। মখোয়না কেথোলিক্সশিং অসি তাথি-তাওইনা ফূ-চৈবসু তৌবী।

ক্লব অনী অসিনা শান্নবা মতমদা অকিবগী মশক ওইরবা থৌদোকশিং মেচ অদুবু য়েংলিবা মীয়াম মরক্তা উবা ফংই। টিম অমগী সপোর্টরশিংনা অতোপ্পা টিমগী জর্সি হায়বদি মায়োক্নবা টিমগী জর্সি লিৎলম্বগী হাৎখিবা য়াওই। কুমজা ১৯৯৯গী মে থাদা রেঞ্জরগী ফেনশিংনা কার্ল মেক গ্রেওররি কৌবা চহী ২১শুরবা অমা মথবাক্তা ক্রোসবোনা কাপ্লগা হোটেল অমদা হাৎখি। কেলটিক্কী হোটেল অমদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা অশংবা ফুরিৎ লিৎপা চহী ২৫শুরবা লিয়াম সৱিনি কৌবা অমা মী মরি চঙদুনা হাৎখি।

অতোপ্পা কেলটিক্কী সপোর্ট চহী ১৬ খক্তা ঙাইরিবা থোমাস মেকফেন্দন কৌবা অমদি মথবাক্তা অমদি মবুক্তা থাংনা থিন্দুনা হাৎখি। থৌদোক অদুদি শান্নবা য়েংলবা মতুংদা থোকখিবনি। মী হাৎপশিং অদু রেঞ্জরগী মায়কৈদা লৈবা মীওইশিংনি। টিম অনী অসিনা ফূন-চৈনবগী থবক অসি কান্নদে হায়বা তপ্না-তপ্না খঙলকখি, ৱাখল তান্নরকখি, য়ুরোপকী অফবা টিমশিংগী মতৌ তমনীংলকখি।

কুমজা ১৯৮০ অমদি ১৯৯০গী অহানবা চহী ফাওবা গ্রীমি সউমেসনা রেঞ্জরগী মেনেজর ওইরম্মী। মহাক্কী ৱাখলদি মায় পাকপগা, কাঙলূপ নায়দুনা অঙম তান্নবগা অনী অসিগী মরক্তা করম্বনা হেন্না ফবগে হায়বা ৱারেপ অমা লৌবনি। মখোয়না স্কোটিশ প্রেমিয়র লীগতগী মগুন হেনবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ানীংবগী পান দম অমা থম্বা পাম্মী। মতমগী মতুং ইন্না ২০শুবা সেঞ্চুরি লোইরমদাইদা রেঞ্জরনা প্রোটেষ্টেনগী ক্লব ওইজরবসু জরজিয়া, অর্জেন্টিনা, জর্মনি, সুইদেন, পোর্টুগল অমসুং হোলেন্দগী শান্নরোয়শিং য়ান্নবা শেনফমদা লৈরগা মখোয়গী ক্লবতা শান্নহনখি। অঙকপদি মখোয়শিং অসি কেথোলিক্স লাইনীং চৎপশিংনি। অসুম্না মতিক চানা য়ান্নবা শেনফম পীদুনা কেথোলিক্সশিং অসি প্রোটেষ্টেনশিংগী টিমদা য়াওবীনবা হায়রুবদা য়ারকখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইখি অমদি য়ুনাইটেদ কিংদমগী শান্নবগী পুৱারীদা অনৌবা য়াওল অমা লাকপা হৌখি।

লৈবাক অসিগী অকনবা লম্বা তৌনরিবা টিম অনী অসিবু পূন্না OLD FIRM হায়না খঙনৈ। অখঙ-অহৈশিংনা অসুম্না হায় মদুদি ফুটবোল শান্নবদা অসিগুম্বা খৎন-চৈনবা, লাউ-খোঙবা, ঈরাং থোকহনবগী থৌওংশিং অসিনা সহর অসিবু মমিং হেন্না চৎহল্লি, সহর অসিগী মগুন হেনগৎলি, সহর অসিগী মমিং মালেম পূম্বনা খঙনৈ। ফুটবোলগী মরমদা থিজিন-খোৎচিন তৌবা অমেরিকা মচা অমনা গ্লাসগোগী হোটেল অমদা চৎলুবদা রেঞ্জরগী শান্নরোয়শিংগী ফোটো ফ্রেম চল্লগা পরেং শানা ফক্লাংদা থেৎপা উখি। ফোটোশিং অদু মহাক্না চংশিল্লগা য়েংলুবদা মহাকপু মশক খঙদবনিনা মফম অদুদা লৈরম্লিবশিং অদুনা মহাকপু কেলটিক্কী মী ওইরবোই নীংদুনা চীংনরম্মী।

রেঞ্জরগী টিমবু য়াম্না নুংশিজবা দম্মী কৌবা নুপা অমনা অসুম্না হায়খি মদুদি কেলটিক অসি টেররিষ্টনি, লালহৌবনি, মখোয় অসি আইরিশ রিপব্লিক আর্মি অশম্বীদা আই আর এ হায়না খঙনবা অয়ারলেন্দবু মনীং মখা তম্বা তাল্লিবা লালহৌবা গ্রুপ অদুগা মরী লৈনৈ। মহাক্না রেঞ্জরবু অসুক্কী মতিক নুংশিজে মদুদি মহাক্না হায়, 'ঐ রেঞ্জরবু নুংশি, ঐগী থবক অসিগা রেঞ্জরগা করম্বনা পাম্মী হায়না হংলবদি ঐনা রেঞ্জরনা হেন্না পাম্মী হায়না খুমগনি। মহাক ফুটবোল শান্নবগী ফেন মশেল ফূনবদা মমায়দা থাঙনা য়ানখিবগী দাগফম অনী লৈ। মহাক গ্লাসগোদগী থাপ্লক তৌবা সহর অমদা লৈ। মহাক্কী লৈফমদগী পুং কয়া চঙনা কার থৌদুনা ফুটবোল য়েংবা লাকই।

১৬শুবা সেঞ্চুরিদা প্রোটেষ্টেন্ট রিফোর্মেসনশিং জোন নোট কৌবা নুপা অমগী মখাদা স্কোটলেন্দগী গ্লাসগো অমদি ইদিনৱাদা লাইনীং অসি শনে দাকপা হৌখি। মখোয়না মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা কেথোলিকশিংগী নমথনবা হোৎনখি অমদি থৌওং অদুদা মায় পাকখি। ১৮শুবা সেঞ্চুরি লোইরকপদা স্কোটলেন্দা কেথোলিক্স সোসাইটি ৩৯ অমসুং এন্টি কেথোলিক্স সোসাইটি ৪৩ লৈরম্মী। অদুবু মতুং তারকপা চহী ৩০০দা কেথোলিক্সশিং অসিগী চৎনবী খরা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা মতমগা চান্নবা খরা কন্না হোৎনরকপদগী মখোয়গী মপাঙ্গল অমুক কনখৎলকখি।

বৃটিশ ঈথৎতা ইংলেন্দ, স্কোটলেন্দ অমসুং ৱেলস হায়বা য়ুনিট অহুম লৈ। ঈথৎ অসিগী নোংচুপ্তা আয়রলেন্দ ঈথৎ লৈ। আয়রলেন্দগী অৱাং থংবা শরুক হায়বদি নোর্দন আয়রলেন্দদি মথক্তা পনখিবা ইংলেন্দ, স্কোটলেন্দ অমসুং ৱেলসকা পূন্না য়ুনাইটেদ কিংদম শেমখি। ঈথৎ অসিগী মরু ওইবা চিঙ্গাক্তি অলুনি। মফম অসিদা অলু মরাং কায়না থাই। তৌইগুম্বসুং চহী খরদি অলুগী পোত্থোক ৱাৎখি। অলুদা তীলনা চিকপগী লায়না লাকখি। মরম অদুনা আয়রলেন্দগী কেলটিক কয়ামুক আইরিস সমুদ্র লান্থোক্তুনা গ্লাসগোদা লাকখি। ইনাকখুনবশিংদি ন্যু য়োর্ক অমসুং বোষ্টোন্দা চত্তুনা অমেরিকাদা খুন দাখি। গ্লাসগোদা মখোয় অসি মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা প্রোটেষ্টেন্টশিংনা থীনা তৌবি, উশিৎপীদে, রিফ্যুজি অমগুম্না খল্লি।

মফম অদুদা মখোয়না কেথোলিক্সকী তোঙানবা স্কুল লীংখৎলি। মখোয়গী মচা-মশুশিং প্রোটেষ্টেন্টকী স্কুলশিংদা তমহন্দে। কুমজা ১৮৮৮দা ফাদর (FATHER) ৱালফ্রিন্দ কৌবা অমনা কেলটিকশিংগী ফুটবোল ক্লব অমা লীংখৎখি। ক্লব অদুদি 'কেলটিক ফুটবোল ক্লব' নি। কেথোলিক্সকী লৈফমশিংদা অমদি স্কুলশিংদা অঙাংশিংগী শান্নবগী মতম মথৌ তারকখি। মখোয়গী মরু ওইবা পান্দমদি অফবা ফুটবোল ক্লব অমা লৈরবদি মখোয়বু প্রোটেষ্টেন্টশিংনা হন্থনা য়েংবা খরা শাফগনি হায়বা অসিনি।

মখোয়না মফম অদুদা য়াম্না তোন্না, হন্থনা লৈবা অমদি ইফরিওরিটি ওইরকপগী ৱাখল্লোন অদু হন্থগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মহাক্না কন্না হোৎনদুনা কেথোলিক্সকী টিম অমা শেমখি। মসিগীদমক মহাক্না কন্না হোৎনদুনা লীগ চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবদা মায় পাকখি।

কেথোলিক্স লাইনীং চৎপা কেলটিকশিংনা অসুম্না ফুটবোল শান্নবদা লমদম অদুদা লৈরিবা প্রোটেষ্টেন্টশিং অদু মপূক্লিং লৈতারমদে। মদুদা রেঞ্জরনা মখোয়গী লাইনীং অমদি পোলিটিক্সকী ৱাংমদা কেলটিক্সপু মায়থীবা পীনবা হোৎনরকখি। ২০শুবা সেঞ্চুরি চঙলকপদা টিম অনী অসি নুংশিনদবা, য়েংথিনবা অসুম-অসুম হেনজিল্লকখি। 'রেঞ্জরগী বিল্লী বোইজ'হায়না খঙনবা ক্লব অসিবু শৌগৎপা ফূনা-চৈনবগী থবক তৌবশিং লৈ। মসিনা লম্বা তৌনবা য়াবা কেলটিক্কীসু 'মেকগ্রোরী বোইজ' অমসুং 'মেকগলেম পুস' হায়না কৌবা সপোর্টরশিং লৈরকখি। মখোয়না নোংমৈ, থাঙ য়াওনা অমগা অমগা ফূনবা অসি চৎনবী অমা ওইখি। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা ফূনা-চৈনবগী থবক অসি কুমজা ১৯৮৯দগী তপ্না-তপ্না হোংলকখি। রেঞ্জরগী অনৌবা প্রসিদেন্ট দেভিদ মুরে অমসুং মহাক্কী মেনেজর Greame Souness না হান্না কেলটিক কেথোলিক্সতা য়াওরম্বা মাওরিক জোনসনবু রেঞ্জরদা ট্রান্সফর তৌদুনা য়াওহনখি।

মতম অদুদা টেলিভিজনগী রেভেন্যু য়াম্না কারকপা হেনবগা লোয়ননা শেঞ্জাও পায়বশিং ফুটবোললোমদা মপূক্লিং ওনশিল্লকখি। প্রসিদেন্ট দেভিদ মুরে ইনাকখুনবা নুপানি। মহাক্না মহাক্কী টিমদা কেলটিক মচাশিং য়াওহনখি। মসি চৎনবীগী ৱাংমদা ওইরম্মী। কেলটিক টিমগী অফাওবা শান্নরোয় জোষ্টোন কৌবা অমা রেঞ্জরদা হোংলকখি। প্রোটেষ্টেন্টকী রেঞ্জরদা ট্রান্সফর তৌখিবা জোষ্টোনগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈখি। মহাকপু কেলটিক ক্লবকী সপোর্টরশিংনা হাৎনবা হোৎনখি। মহাক্না রেঞ্জরদা হেক থুংলবগা পুলিসনা কেলটিক্সকী মায়কৈদা মীচং চঙবা ফেন্সশিং ফাজিনখি। মহাকপু মখোয়না হাৎখিদনবা গ্লাসগোদা ফুটবোল মেচ শান্নবা হেক লোইবগা চার্টর প্লেন অমনা লন্দন সহরদা পাইহনখি। মফম অদুদা অরোনবা হোটেল অমদা অহিং লৈহনখি। মতুংদা ইদেনবরা সহরদা চেকশিনবা শাফবা য়ূম অমদা লৈহনখি। কুমজা ১৯৯০গী মখা তারকপা চহীশিংগী ময়ায় চল্লকপদা মহাক য়ুনাইটেদ কানসাস (Kansas) তা ময়ূম হোংখি।









# ইলিউদ কিপচোগে অমসুং লন্দন মরাথোন




মোইরাংথেম দীনাকান্তা




ৱর্ল্ড মরাথোন মেজরস (দব্লিয়ু এম এম) হায়রগা ময়াম্না খঙনরিবসি মাইল২৬.২ (কিমি ৪২) গী লমশাং লমজেলনি। মসিদা বোষ্টোন মরথোন, বর্লিন মরাথোন, চিকাগো মরাথোন, টোকিও মরাথোন, ন্যুয়োর্ক সিটি মরাথোন অমসুং লন্দন মরাথোন য়াওরে। দব্লিয়ু এম এমদা তরেৎলক গোল্ড মেদল ফংখ্রবা এথলেট অমা হায়রগদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ইলিউদ কিপচোগে (Eliud Kipchoge) নি। ইলিউদ কিপচোগে কুমজা ১৯৮৪গী নবেম্বর ৫দা নন্দি দিষ্ট্রিক্ট কেনয়াদা পোকখি। মহাক মচিন-মনাও মরিগী মনুংদা অতোনবনি। মহাক মমাখক্না চাউনবা য়োক্লকখি অমসুং শেম্বী শাবিরকখি। মশাগী চহী ১৬ শুবদগী ফোর্মর ওলিম্পিক মেদলিষ্ট পেত্রিক শংনা তাকপী-তম্বীদুনা এথলেটস শান্নবা হৌরকখি। মহাক হৌজিক মশাগী চহী ৩৫শুরে।

মহাক্না কুমজা ২০১৮গী বর্লিন মরাথোন্দা পুং ২:০১:৩৯দা লমথুংফম য়ৌদুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে। হান্নদি মিটর ৫০০০গী লমজেল্লোই ওইরমই। মহাক্না কুমজা ২০১৪গী বর্লিন মরাথোন্দা এথলেটস দেন্নিস কিমেত্তোনা পুং ২:০২:৫৭তা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্নম্বদগী মিনট ০১:১৮ ফাষ্ট ওইদুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখি। কুমজা ২০০৪ অমসুং ২০০৮গী সম্মর ওলিম্পিক গেমসকী মিটর ৫০০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল ফংখি। কুমজা ২০১৬কী ওলিম্পিক গেমসকী মরাথোন লমজেন্দসু গোল্ড ফংখি। এথলেটসতা মহাক্না থোইদোকপা ফিদা অমা কনবা ঙম্বগীদমক লোরিয়স এক্সেপসনেল এচিভমেন্ট এৱার্দ অমসুং ২০১৮গী ৱর্ল্ড এথলেটস ওফ দি য়রগী মিংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে। মহাক লমলক্কী শাশিংবু নুংশিনা তেংবাঙবগা লোয়ননা মহৌশাগা শাগোন্নদুনা হিংবা পাম্বা মীওই অমনি।

হৌখিবা চহী ২০১৮গী এপ্রিল ২২, নোংমাইজিং নুমিত্তা লমজেল্লোয় ৪০,০০০ রোমনা শরুক য়াদুনা ইংলেন্দগী মহারানি এলিজাবেটনা লমথাদুনা পাঙথোকখিবা লন্দন মরথোন্দা ইলিউদ কিপচোগেনা ৱিন্নর ওইখি। বৃটিশ পাউন্দ £ ৩৯.০০০গী মনাসু ফংখি। লমশাং লমজেলশিংগী মনুংদা ভিরজিন মনি লন্দন মরাথোন অসি মীয়াম্না থোইদোক্না খঙনরে। য়ুনাইটেদ কিংদমদা চহী খুদিংগী বসন্ত ঋতু হায়বদি য়েন্নিংথা এপ্রিলগী মনুংদা ৱর্ল্ড মরাথোন মেজরসতা পাঙথোকই। অহানবা ওইনা মার্চ ২৯, কুমজা ১৯৮১দগী হৌদোকখি। লন্দন মরাথোন অসি কুমজা ২০১০দগীদি সার রিচার্টব্রানসন কৌবা ফিলান্টোপিষ্ট অমনা লীংখৎখিবা য়ু কেদা বেজ তৌবা বেঙ্ক অমসুং ফাইনান্সিয়েল সার্ভিসেস কম্পনি ওইরিবা ভিরজিন মনি (Virgin Money) না স্পোন্সর তৌদুনা লাকখ্রে।

মমাঙ চহীগী এপ্রিল ২২দা পাঙথোকখিবা লন্দন মরাথোন অদু নুংশা খ্বাইদগী শাবা ওইখি। নুমিৎ অদুদা ওফিসিএলশিংনা রেকোর্দ তৌবদা টেম্পরেচর অসি চিংদোন্দা ২৪.১°C ওইখি। লমজেল্লোয়শিংনা নুংশা য়াম্না শাবা মতমদা লমজেল চেনবসি য়াম্না হেন্না ৱাবা অমসুং চোকথবা ওই। মসিদা নত্তনা মখোয়গী টাইমিং দিলে ওইহল্লি। অদুবু কুচু মুবা কেনয়া মচা ইলিউদ কিপচোগেনদি পুং ২:০৪:১৭তা চেন্দুনা কুমজা ২০১৮গী লন্দন মরাথোন ৱিন্নর ওইখি। মহৌশানা কুচু মুবা মীওইশিং খাংবা কনবগী থোইদোক হেন্দোকপা গুম অমা য়াওজে। মালেমগী ওইনা য়েংবদা লমজেলগী মশান্নশিংদা কুচু মুবা নেগ্রোশিংনা অয়াম্বা ৱিন্নর ওইরি। মরাথোন, হাফ মরাথোন অমসুং মিটর রেসশিংদা মখোয়না রেকোর্দ থমদুনতা লাকই। মখোয়দা অসিগুম্বা অহেনবা ষ্টেমিনা য়াওজবা মরম্না ইকায়খুম্নজরি।

মণিপুরদসু য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) না কিলোমিটর ২১গী হাফ মরাথোন ইম্ফালদা পাঙথোক্তুনা শান্নরোয়শিং অমসুং হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু তুংগী য়ূম্বীরেল ওইনবা অফবা, অচুম্বা মায়কৈদা লমজিংনবা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌজিক্তি সঙাই রন, ককচীং রন্নরস হায়নসু থোরক্লে। মসিগীসু মথক্তা ইন্টরনেসনল স্পেস ষ্টেসন (আই এস এস) দা ইন্দিয়ান ওরিজিন নুপী এষ্ট্রোনোট সুনিতা ৱিল্লিয়ম্না অহানবা ওইনা অমসুং বৃটিশ এষ্ট্রোনোট টিম পিকনা অনীশুবা ওইনা ট্রেদ মিলদা লমজেল চেন্দুনা লন্দন মরাথোন শরুক য়াখি। তোঙান-তোঙানবা মমিংদা মালেম, নেসন অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা লমশাং লমজেলশিং লৈখ্রে। অসুম্না লমশাং লমজেল অসি মীয়াম্না পূক্নিং থৌগৎনরি। চৎলিবা চহীসিগী মরথোনসু এপ্রিল ২৮দা পাঙথোক্নবা শেম শাখ্রে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১

১। মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নবা পুখ্রি অনীখক লৈ। অমনা মন্ত্রি পুখ্রিনি, অদুগা অমদুনা নিংথেম পুখ্রিনি। মন্ত্রি পুখ্রিদি চহী খুদিংগী শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দ লেঙথদুনা হোঙখিবা নুমিৎ, পোইনুগী মঙানি পানবা নুমিত্তা কুম্মৈ তৌরম্মী।
(ক) মন্ত্রি পুখ্রি হোঙখিবা চহীদু কয়াদনো?
(খ) পুখ্রি অসিবু হোঙখিবা নিংথৌ মচাদু কনানো?

২। "অহাংবসিগা লোইনবা পুন্সিসি-শিদ্রিবা ফাওবা লেনগনি-ঐ চৎলে।" পরেংসি অরাম্বম সমরেন্দ্রগী দ্রামা অমগী অরোইবা পরেংনি। দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "নঙসু লাল্লে, ঐসু লাল্লে/উরিবসি মীনম্বা ওইরম্লে/মঙালদুমক মীনম্বনি থাজগী/অমম্বা অদুনি অশেংবা মশক্তি।" পরেংশিংসিনা 'থাজগী অমম্বা নাকল' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "খল্লু খল্লুরগা মশাবু তুক্কচবা পোক্লকই/হেরা ঐনবো/হেরা মাগুম্বনসু ঐখোয়নবু।" পরেংশিং অসিনা 'শেন্দোল শিংবা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "ঐগী নুংশি লম্বীদা/মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।" পরেংশিং অসিনা মীয়াম্না পাম্নবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*